জর্নেলিষ্টশিংগী মায়োক্তা লৌখৎপা কেসশিং হন্দোকপগী ৱারেপসু এস সীনা থাগৎখ্রে

WEST
BENGAL

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

ওপইন্দিয়াগী এদিটর নুপুর শর্ম্মা অমসুং অতোপ্পা জর্নেলিষ্ট অমগী মায়োক্তা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আর ৱিথদ্রো তৌনবা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা লৌখিবা ৱারেপ শগোলশেন নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টনা থাগৎখ্রে অমসুং অতে ষ্টেটশিংনসু মান্নবা ফিরেপ লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখ্রে।

জষ্টিস এস কে কোলনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, কেসশিং ৱিথদ্রো তৌবগী ৱারেপ অসিনা অনৌবা মায়ওন অমা লাকহল্লগনি অমসুং অতে ষ্টেটশিংনসু গভর্ণমেন্টকা ওন্ন-তৈনবা মীৎয়েং লৈবা মীওইশিংগী মায়োক্তা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংস চথররোই হায়না কোর্টনা থাজে। মীয়াম্না অমগা অমগা ঙাক্নদবগী চাং হেনগৎলক্লে হায়নসু কোর্টনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি অমসুং পোলিটিকেল ক্লাস য়াওনা মীয়াম্না খন্থবগী মতম ওইরে হায়খি।

ৱেবসাইটতা ফোঙখিবা আর্টিকলশিংগা মরী লৈননা ওপইন্দিয়া এদিটর নুপুর শর্ম্মা অমসুং অতোপ্পা জর্নেলিষ্ট অমগী মায়োক্তা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আরশিং ৱিথদ্রো তৌনবা ৱারেপ লৌরে হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা খঙহনখিবা মতুংদা টোপ কোর্ট অসিনা ৱাফমশিং ফোঙদোরকপনি। পিটিস্নরশিংনা মখোয়গী সবমিসনন এফ আই আরশিংদু জর্নেলিষ্টশিংবু কিহন্নবা হোৎনবা অমনি হায়খি। ষ্টেট গভর্ণমেন্ট রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সিনিয়র এদভোকেট সিধার্ঠ দাভেনা মহাক্কী সবমিসনদা হায়খি, শর্ম্মা, ভার্তি অমসুং অতৈগী মায়োক্তা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আরশিং ৱিথদ্রো তৌনবা ষ্টেট অসিনা ৱারেপ লৌরে।

প্লি অদু দিসপোজ তৌরদুনা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, জর্নেলিষ্টশিং মীয়ামদা পাউ পীবগীদমক অৱাবা নংহল্লে। ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অসি অতে ষ্টেটশিংনসু ইনবা ওইরসনু। পিটিসনরশিংনা মখোয়গী আর্গ্যুমেন্টতা হায়খি, ওপইন্দিয়া প্লেটফোর্মনা ফোঙখিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টোরিশিংগা মরী লৈননা এফ আই আরশিং রেজিষ্টর তৌখি। মরী লৈনবা সবজেক্টশিংদুগী মতাংদা অতে তোঙান তোঙানবা ন্যুজ আওটলেটশিংনসু আর্টিকলশিং অমসুং ন্যুজ কয়া ফোঙনখি। অদুম ওইনমক পুলিসনা পিটিস্নরশিংসিখক্কী মায়োক্তা ওইনা এফ আই আরশিং রেজিষ্টর তৌখি।

সিনিয়র এদভোকেট মহেশ জেঠমালানিনা পিটিস্নরশিং রিপ্রজেন্ট তৌখি। পুলিসনা পিটিস্নরশিংগী মায়োক্তা কেসশিং রেজিষ্টর তৌখিবা মতুং কুমজা ২০২০গী জুনদা মখোয়না কোর্টতা ৱাকৎখিবনি। এপেক্স কোর্টনা এফ আই আরশিংদু চহীদুগী জুন থাদা ষ্টে তৌখি। মদুগী মতুংদা পুলিসনা রেজিষ্টর তৌখিবা অতোপ্পা এফ আই আরসু কুমজা ২০২১গী সেপ্টেম্বরদা টোপ কোর্ট অসিনা ষ্টে তৌখি।

ওমিক্রোন : মরু ওইবা হীদাকশিং মরাং কায়না থম্নবা সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে

OMICRON
COVID-19

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্ট ওমিক্রোন লায়েংবদা শীজিন্নবা য়াবশিংনি হায়না খঙদোল্লবা মরু ওইবা দ্রগ নিপাল মরাং কায়না থম্নবা সেন্টরনা শগোলশেন নুমিৎতা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা খঙহনখ্রে।

সেন্টরনা ঈ সী আর টি-টুগী মখাদা রিলীজ তৌবা ফন্দশিং হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেম্না অমসুং ফঙাৎহনবদা শীজিন্নবা অমসুং ষ্টেট হেল্থ সোসাইটিশিংদা চানবা ফন্দবা চাদা ১০০ থাদোক্নবা ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে।

ষ্টেটশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু মীটিং অমদা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, ফিল্ড লেভেলদা ফন্দ শীজিন্নবগী প্রোগ্রেস হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা রিভিয়ু তৌরিঙৈদা মরী লৈনবা পোর্টেলদা ফন্দ শীজিন্নবগী প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন হাপচিনগদবনি। ফিল্ড লেভেলগী হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা নীংথিনা মথৌ তাবা ভেন্টিলেটরশিং, পি এস এ প্লান্টশিং, ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর অসিনচিংবশিং থমগদবনি।

সেন্টরনা সপ্লায় তৌখিবা ভেন্টিলেটর কয়া হোস্পিটাল খরদা পেক কায়দনা নৎত্রগা শীজিন্নদনা লৈরি হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা ৱাফম অসি খূদক্তা রিভিয়ু তৌনবা অমসুং পি এস এ ওক্সিজেন প্লান্ট, ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রটর অমসুং ভেন্টিলেটর পূন্নমক ইন্সটোল তৌনবা অমসুং ফঙ্কসনল ওইহন্নবা ষ্টেটশিংদা খঙহনখি।

কোভিদ অমসুং মসিগী ভেরিএন্টশিং ইফেক্টিভ ওইনা অমসুং মতম চানা কন্ট্রোল তৌনবা ষ্ট্রেটিজিক মরম মঙা হায়বদি টেষ্টিং-ট্রেকিং-ট্রিটমেন্ট-ভেক্সিনেসন কোভিদ এপ্রোপ্রিট বিহেভিয়র (সী এ বি) ঙাকপা অসিসু মরু ওইবা পব্লিক হেল্থ রেস্পোন্স ওইহন্নবা সেন্টরনা খঙহনখ্রে।

নিংথমথা মতম অসিদা ইনফ্লুএঞ্জা লাইক ইলনেস (আই এল আই)/ সিভেয়র একু্যট রেস্পিরেটরি ইনফেক্সন (এস এ আর আই) অমসুং শ্বর হোনবা নুংঙাইতবগী লাইওংশিং নীংথিনা য়েংশিন্নবসু ষ্টেটশিংদা পাউতাক পীখ্রে।

ওমিক্রোনগী রিভিয়ু মীটিং অদুদা হেল্থ সেক্রেটরি রাজেশ ভুশননা ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংদা টেষ্টিং হেনগৎহনবগা লোয়ননা সর্ভিলেন্সতা মীৎয়েং থমদুনা চিংনবা কেসশিং ঙন্না আইদেন্টিফায় তৌরবদি মীওইশিং অদু থুনা আইসোলেসন তৌহনবা অমসুং মখা তাবা ক্লিনিকেল মেনেজমেন্টতা খুদোংচাহনগনি হায়খি।

পোজিটিভ রেট ৱাংবা দিষ্ট্রিক্টশিং চাংনাইনা মোনিটর তৌননবা খঙহনবা অমসুং পোজিটিভ সেম্পলশিং জেনোম সিক্বেন্সিংগীদমক আই এন এস এ সী ও জি লেবশিংদা থুনা থানবসু পাউতাক পীখি।

ইলিজিবল মীওই খূদিংমক মপূংফানা ভেক্সিন কাপহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা হৌজিক চথরিবা ‘হর ঘড় দষ্তক’ কেম্পেনদা মীৎয়েং থমদুনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী খোঙজেল থুজিন্নবা অমসুং কোভরেজ হেনগৎহন্নবসু ষ্টেটশিংদা পাউতাক পীখি।

কেরলাদা বর্দ ফ্লু অমুক থেংনরে

থিরুভানন্তপুরম, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

য়েন-ঙানুদা নাবা এভিএন ফ্লু কেরলাগী অলাপুজা দিষ্ট্রিক্টতা অমুক হল্লক্লে হায়রি। লৈবাকপোকপা নুমিৎতা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী কাইনাকারি এরিয়াদা লৈবা ফার্ম অমদা লায়না অসিগী অনৌবা কেস অমা থেংনখিবগা লোয়ননা ওথোরিটিশিংনা পাক্তক্লনা উচেক হাৎপা হৌখ্রে।

চহী অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা লায়না অসিবু কনফর্ম তৌবসি মসিনা অনীশুবনি। কেরলা এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর কে এম দীলিপতা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম্না বর্দ ফ্লু হায়রগা খঙনবা ইনফ্লুএঞ্জা এ ভাইরসকী সবটাইপ অমা টেষ্ট তৌনবগীদমক ভোপালদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ হাই সিক্যুরিটি এনিমেল দিজীজ লেবতা থাখ্রে। সেম্পল অদু কুট্টানন্দ বেল্টতা লৈবা দোলহি ফার্ম অমদগী লৌখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট ওফিসলনা ফোঙদোরকপদা হৌজিক ফাওবদা কাইনাকারিদা ঙানু য়াওনা য়ামদ্রবদা উচেক ৫০০ শিখ্রে। লায়না অসি লাকশিন্নবা অলাপুজা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা এরেঞ্জমেন্টশিং রিভিয়ু তৌখি।

ষ্টেটশিংদা চৎনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

ৱার্করশিং অমসুং ষ্টেট য়ুনিট ফঙ্কসনরিশিংগী মরক্তা কম্যুনিকেসন নেটৱর্ক ফগৎনবা অমসুং কোওর্দিনেসন হেনগৎনবা ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা (বি জে ৱাই-এম)না মসিগী ইন-চার্জ পূন্নমক্তা য়ামদ্রবদা থা অমগী মনুংদা অমুক্তং মখোয়না য়েংশিনফম থোকপা ষ্টেটশিংদা চৎননবা দিরেক্সন পীখ্রে।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি তরুন চুঘ অমসুং বি জে ৱাই এমগী নেসনল প্রসিদেন্ট টেজাসভি সুর্য়ানা নৌনা খনখিবা ষ্টেট ইন-চার্জশিং অমদি কো-ইন-চার্জশিংগা লোয়ননা মীফম অমা পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা ওর্গনাইজেসন চাউথোকপগী থবক অমসুং য়ুব মোর্চাগী থবক কনশিনবগী ৱাফম খন্নখি। ষ্টেট-ইন-চার্জশিংদা পোলিসিশিং, ষ্ট্রেটেজিশিং পার্টিগী প্রোগ্রামশিং নীংথিনা খঙহনবগা লোয়ননা বুথ, লেভেল ফাওবগী ৱর্কর খূদিংমক্লসু মখা তানা এৱেয়রনেস পীহন্নবসু খঙহনখি।

এফ আই আর ফাইল তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

লুহোংবা কুইদ্রিবা নুপী অমনা মহাক্কী মপুরোইবগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখ্রে হায়না শগোলশেন নুমিৎতা কাদুগোদানাহালি পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্কী কমপ্লেন্ট অদুদা মপুরোইবনা মহাকপু ফিজিকেল টোর্চর তৌই হায়না পনখি। মশাগী চহী ২১ শুরবা নুপী অদুনা মপুরোইবা দেভারাজুগী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎপীনবা হায়জখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না, কমপ্লেনেন্ট অদু একু্যজ অদুগা থা অহুমগী মমাঙদা লুহোংখি। মহাক্কী মপুরোয়বনা মহাকপু লুহোংবগী অহিংদগী হৌরগা ফিজিকেল টোর্চর তৌদুনা লাকখি হায়না নুপী অদুনা কমপ্লেন্ট অদুদা পনখি।

নুপা অদুগী থৌওং অদু নুপীদুগী অহল লমনশিং অমসুং মনেম-মকুশিংনসু খঙলকখি। মখোয়না অথিংবা পীরবসু নুপা অদুনা মতম খরা লৈরগা কমপ্লেনেন্টপু অমুক টোর্চর তৌবা হৌখি। নুপা অদুগী তমথিবা মতৌদুদা খাঙবা ৱারবা নুপী অদুনা মমৈথংদা পুলিসকী মতেং নিখিবনি।

নাইট কর্ফিয়ু থম্লোই

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোনগী অকিবা লৈদুনসু কর্নাটকাদা নাইট কর্ফিয়ু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা গভর্ণমেন্টনা খন্নবা লৈতে হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর বাসাভারাজ বোম্মাইনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না হায়খি, মীয়াম্না অনৌবা ভেরিএন্ট অসিগী মতাংদা মীপাইরোইদবনি। করিগুম্বা তঙায়ফদনা নাইট কর্ফিয়ু থম্বা তারবসু চয়োল অমা লৈরগা খন্নগনি।

রেসিদেন্ট দোক্টরশিংগী প্রোটেষ্ট চয়োল অমা লেপ্লগনি

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

এন ঈ ঈ টি-পি জি ২০২১ কাওন্সেলিং থুজিন্নবা তকশিল্লদুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা ফেদরেসন ওফ রেসিদেন্ট দোক্টর্স এসোসিএসন (এফ ও আর দি এ)না মখোয়গী খোঙজং অদু চয়োল অমা লেপ্লগনি হায়না শগোলশেন নুমিৎতা লাউথোকখ্রে। রেসিদেন্ট দোক্টরশিংনা খূদক্তুগী থবক হৌরগনি হায়নসু এসোসিএসননা লাউথোকখ্রে।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা এফ ও আর দি এগী প্রসিদেন্ট ডা. মনিশনা হায়খি, ঐখোয়না ঙরাং হেল্থ মিনিষ্টরগা মীফম অমা পাঙথোকখি। মহাক্না ঐখোয়দা পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা মওংদা থাজবা পীবদগী ঐখোয়না প্রোটেষ্ট চয়োল অমা লেপ্নবা ৱারেপ লৌরে। এন ঈ ঈ টি-পি জি ২০২১ কাওন্সেলিং লেপ্পগী মতাংদা মশক থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্ত্রবদি প্রোটেষ্ট অদু দিসেম্বর ১৭তগী অমুক মখা চথগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱারেপ অদু রেসিদেন্ট দোক্টরশিং প্রোটেষ্ট মখা তাবা খোঙথাংশিংগী মতাংদা এফ ও আর দি এনা আর দি এগী মীহুৎ কয়াগা লোয়ননা খন্নখিবা মতুংদা লৌখিবনি। মীফম অদুদা কোর্ট হীয়ারিং থুজিল্লগনি হায়না এম ও ঐচ এফ দল্লিয়ুনা ইস্যু তৌবা প্লি অমসু খন্নখি।

ওফিস অদু প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনসু য়েংশিল্লি অমসুং চয়োল অমগী মনুংদা প্রোসেস মপূং ফারগনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা এসোসিএসনদা থাজবা পীরকখি।

কোর্ট কমপ্লেক্সতা লেপটোপ বেগ পোকখায়রকপগী ষ্টাফর শোক্লে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্তা আওটর দেল্লীগী রোহিনি কোর্টতা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা কোর্ট ষ্টাফর অমা শোক্লে হায়না সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসর অসিগী মতুং ইন্না, পোকখায়বগী থৌদোক অদু কোর্টরুম নম্বর ১০২ মনাক্তা থোকখিবনি অমসুং থৌদোক অদুদা নায়ব কোর্ট (কোর্ট ওফিসল অমা) শোকখি। পোকখায়খিবা মফমদুদা লোকল পুলিস, বোম দিটেক্সন অমসুং দিস্পোজেল স্কৱাদ অমসুং স্পেসল সেল টিমশিং চঙশিনখি। দেল্লী পুলিসকী স্পোক্সপর্সন চিনমোয় বিসৱালনা হায়, পোকখায়বা অদু অয়ুক বূং ১০.৩০ রোম তাবদা লেপটোপ বেগ অমদা থোকখিবনি। মফম অদু কোর্দন তৌখি। ফোরেন্সিক অমসুং এন এস জি টিমশিংনা মফমদু য়েংশিল্লি।

থৌদোক্তুগী মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট এরিয়া অমসুং অকোয়বদা পুলিস মরাং কায়না লৈবা উখি। পোকখায়বগী থৌদোক অদুগী মতুং দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস (রোহিনি) প্রনাব টয়াল য়াম্না থুনা মফম অদুদা চঙশিনখি অমসুং মফমদুগী ফিভম য়েংশিনখি। পোকখায়রিবদুগী মরম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রিবা ওইরবসু লেপটোপ বেট্টরি ওইরম্বা য়াই হায়নবসু য়াওখি। পোকখায়বদুনা মরম ওইদুনা কোর্ট মনুংদা লৈরিবা লিটিগেন্টশিং মপান্দা থোকহনখি।

নোর্থ দেল্লী লোয়র্স এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ভিনীট জিন্দালনা হায়খিবদা, হন্দক্তা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক কয়ানা মরম ওইদুনা কোর্টশিংদা কিহনবগী মওং অমা লৈ। দেল্লীগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংদা হন্দক্তা থোকখিবা থৌদোকশিংনা মরম ওইদুনা হৌজিক লিটিগান্টশিং, এদভোকেটশিং অমদি জজশিং ফাওবা কিনরে। দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং ৱাৎপসিনা লিটিগান্টশিং অমসুং এদভোকেটশিংবু নুংঙাইহন্দে হায়নসু জিন্দালনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অসি দেল্লীগী খ্বাইদগী শাথিরবা গেংষ্টর জিতেন্দর মান এলিয়স গোগিবু কোর্টরুম অমদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৪দা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমগী মতুংদা থোক্লকপনি। উকিলগী ফিজোল শেৎলগা লাকপা গনমেনশিং অদু গোগিবু মান্দোলি জেলদগী কোটরুম অদুদা ঙাক শেন্দুনা পুরকখিবা পুলিস পর্সনলশিংনা কাপ্লগা হাৎখি।

টেলঙ্গনাদা ইমপ্লোয়ীশিংনা ষ্ট্রাইক হৌখিবদগী কোল পুথোকপা লেপখ্রে

হায়দরবাদ, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

সেন্টরনা ব্লোক মরি ওক্সন তৌনবা লৌরক্লিবা ৱারেপ্পু য়ানীংদবা উৎলদুনা ইপ্লোয়ীশিং নুমিৎ হুম্নি চথগদবা ষ্ট্রাইক হৌখিবদগী টেলঙ্গনাগী সিঙ্গারেনি কোলিয়েরিজ কম্পনি লিমিটেদ (এস সী সী এল) দা কোল পুথোকপগী থবক লেপখ্রে।

অপুনবা ৱর্কর ৪২,০০০গী মনুংদা অয়াম্বনা ষ্ট্রাইক অদুদা য়াওশিনখিবদগী কোল তানবগী থবক অন্দরগ্রাওন্দ মাইন ২৩ অমসুং ওপন কাষ্ট মাইন ১৯দা লেপখি। য়ুনিয়ন কোল মিনিষ্ট্রিনা কোল ব্লোকশিং ওক্সন তৌনবা প্রপোজ তৌখিবগী মায়োক্তা ইমপ্লোয়ীশিংনা মাইনশিং অদুদা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।

রুলিং টেলঙ্গনা রাষ্ট্রা সমিথি (টি আর এস)তা এফিলিএট তৌবা মরু ওইবা ট্রেদ য়ুনিয়ন টেলঙ্গনা বোগুগানি করমিকা সনঘম (টি বি জি কে এস)না ষ্ট্রাইক অদু কৌখিবনি।

সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন মঙা ইন্দিয়ন নেসনল ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, গুল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, সেন্টর ওফ ইন্দিয়ন ট্রেদ য়ুনিয়ন্স, হিন্দ মজদুর সভা অমসুং ভারতিয়া মজদুর সজ্ঘতা এফিলিএট তৌবা ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা ষ্ট্রাইক অদুবু শৌগৎখি।

কোল মিনিষ্ট্রিগী কর্ম্মসিএল কোল মাইন ওক্সন লিষ্টতগী এস সী সী এলগী কোল ব্লোক মরি লৌথোকপা য়াওনা দিমান্দ মরি তকশিল্লদুনা টি বি জি কে এসনা পূং ৭২গী ষ্ট্রাইক অদু কৌখিবনি।

কোল মিনিষ্ট্রিনা এক্সন তৌবা পাম্লিবা ব্লোকশিং অদুদি খুন্মান দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সাদুপালি ওপন কাষ্ট ব্লোক-৩, অসিফাবাদ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা স্লাভানপালি ওপন কাষ্ট ব্লোক-৩, ভাদ্রাদ্রি কোথাগুজমদা লৈবা কোয়া গুদেম ওপনকাষ্ট ব্লোক-৩ অমসুং মাঞ্চেরিএল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কালিয়ানাখানি অন্দরগ্রাওন্দ ব্লোক-৬ অসিনি। করিগুম্বা সেন্টরনা ওক্সনগী টেন্দরশিং কৌবগী প্রোসেস চথরক্লবদি মতম কক্তনা ষ্ট্রাইক চথগনি হায়না ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা থ্রিটন তৌখ্রে।

হেলিকোপ্টর কায়বদা হিংহৌবা ভারুন বেঙ্গলুরুদা পুবা য়াই

ৱেলিংটন, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

হেলিকোপ্টর কায়বদা হিংহৌবা অমত্তা ঙাইরবা মীশক গ্রুপ কেপ্টেন ভারুন সিংহ মখা তাবা ট্রিটমেন্ট-কীদমক বেঙ্গলুরুদা পুবা য়াই হায়না সোর্ছশিংনা হায়রি।

সোর্ছশিং অসিগী মতুং ইন্না ভারুনগী হকচাংগী মরু ওইবা ওর্গানশিং মহৌশাগুম মথৌ তৌরি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী ফিভম খরা লুরি। মহাকপু লায়েংবদা বেঙ্গলুরুদা লৈবা হোস্পিটালদনা হেন্না খুদোংচাবা য়াই।

টামিল নাদুগী ৱেলিংটন মনাক্তা য়ুমশকৈশদা থোকখিবা হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক অদুদা হিংহৌবা সুর্য়া চক্র এৱার্দী ভারুন সিংহ হৌজিক ৱেলিংটনদা লৈবা দিফেন্স সর্ভিসেস ষ্টাফ কোলেজদা ট্রিটমেন্ট চথরিবনি। মহাক ৱেলিংটনগী মিলিটরি হোস্পিটাল অসিদা ভেন্টিলেটর সপোর্ট পীরগা থল্লি।

মমাঙদা মহাকপু লায়েংলিবা দোক্টরশিংনা মথংগী নুমিৎ ৪৮ অসি য়াম্না মরু ওইগনি হায়খিবনি। মেদিকেল টিম অদুনা মহাকপু বাই রোদ নৎত্রগা বাই এয়র এম্বুলেন্সতা বেঙ্গলুরুদা পুনবা খন্নরি। লোয়নবী অমসুং মচা অনী লৈবা ভারুন হন্দক্তা ৱিং কমান্দর রেঙ্কতগী গ্রুপ কেপ্টেনদা প্রমোট তৌখি। মহাক হন্দক্তা দি এস এস সীদা জোইন তৌখি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 305/SDC/NBL of 2021

1. Laishram Bishambhor Singh S/o (L) Gandha Singh
   of Kha-Sanjenbam Makha Leikai
2. Laishram Rajen Singh S/o (L) Gandha Singh of - do -
3. Laishram Nepolian Singh S/o Rajen Singh of - do -

... Petitioners

-Vrs-

(Late) Laishram Gandha Singh S/o (L) Khoimu Singh
of Kha-Sanjenbam ... P.O.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dtd. 9-12-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 10-Pukhrambam, Patta No. 455 (Old) 582 /1646 (New) Dag No. 2111/3900, 2037/3901 an area of 0.39 & 0.24 acres of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/0878/10

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 410/SDC/SLG/IE of 2021 Dated 04-12-2021

i. Salam Sanjeet Singh S/o S. Jadumani Singh
   of Sagolband Sayang Kurao Makhong
.... area of 0.52 acre on South
ii. Salam Suraj Singh S/o S. Jadumani Singh
   of Sagolband Sayang Kurao Makhong
.......area of 0.52 acre on North - Petitioners

-Versus-

(Late) Salam (O) Binodini Devi D/o (L) Rashamani Devi
of Sagolband Sayang - Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Sagolmang, the 4 December, 2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহশিল খুল নং 31-Waiton পাট্টা নং 347 (অরিবা) 464/1105 (অনৌবা), দাগ নং 176 মোট এরিয়া 1.04 একর চাওবা Phourel লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি/Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি/Objection তৌরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/0884/10

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL

Ref. Mutation Case No. 644/AS & SO/TBL Dated 04/12/021

1. Khundrakpam Nityaichand Singh S/o (L) Sanajao Singh
   of Khangabok Palli Leikai
2. Khundrakpam Bishorjit Singh S/o (L) - do - of - do - - Pet.

-Vs-

Co.No. 4/(L) Khundrakpam Sanajo Singh
S/o (L) Tomba Singh of Khangabok Palli Leikai - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

09-12-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি থৌবাল তহশিল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ২৫৫৮ অরিবা ৯৪০ অনৌবা, দাগ নং ৫৩৬০ এরিয়া .১৬১৯ হেক্টর চাউবা ফৌরেল ক্লাস অসিগীকো-পাট্টাদার নং ৪ অসি মৃতু ওইখ্রবনা মহাক্কী মমিং কল্লগা মৃতু পাট্টাদারগী মচানুপা অনীনা উক্তা কোর্ট অসিদা মশা লাক্তুনা অইবা চেরোলনা নমা ওনবীনবা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা মৃতু পাট্টাদার অসিগা মরী লৈনরম্বা কনা-কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌবীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিদা ফোঙলকপা নুমিৎ অসিদগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীরবা য়াগনি। হায়রিবা নুমিৎ ৭ অসিগী মনুংদা অপতি তৌরদ্রবদি মথংগী নুমিৎতা কেস মখা চথখ্রগনি। তুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer,
Thoubal

HL-P/0882/10

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 411/SDC/SLG/IE of 2021 Dated 04-12-2021

Konsam (O) Dashumati Devi W/o Late K. Shamu Singh
of Khundrakpam - Petitioner

-Versus-

Late Konsam Shamo Singh S/o Late Goura Singh
of Tangkham at present Khundrakpam - Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Sagolmang, the 4 December, 2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহশিল খুল নং 5-Tangkham পাট্টা নং 144 (অরিবা) 23 (অনৌবা), দাগ নং 28 মোট এরিয়া 1.66 একর চাওবা Phourel লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি/Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি/Objection তৌরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/0884/10

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 304/SDC/NBL of 2021

Warepam Udoi Singh S/o W. Manglemba Singh
of Leimapokpam Khunpham Makha Leikai ... Petitioner

-Vrs-

(Late) Warepam Tola Singh S/o W. Tomba Singh
of Leimapokpam ... P.O.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dtd. 9-12-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 12-Leimapokpam, Patta No. 228 (Old) 874 (New) Dag No. 1736 & 1764 an area of 0.46 & 0.31 acres of Phourel & Taothabi Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/0878/10

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 412/SDC/SLG/IE of 2021 Dated 04-12-2021

Huidrom Babita Devi W/o Late H. Ajit Singh
of Khundrakpam Awang Leikai, Pangei Yangdong
- Petitioner

-Versus-

(Late) Huidrom Ajit Singh S/o Late Mangi Singh
of Pangei - Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Sagolmang, the 4 December, 2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহশিল খুল নং 11-Khundrakpam পাট্টা নং 315 (অরিবা) 585/1084 (অনৌবা), দাগ নং 1630/2129 মোট এরিয়া 0.63 একর চাওবা Phourel লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি/Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি/Objection তৌরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/0884/10

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL

Ref. R.R. No. 393 Dated 8/12/21

Md. Shahrukh Khan S/o (L) Md. Abdul Gabar
of Lilong Turel Ahanbi Dam Maning

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Lilong, 8th Dec, 2021

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Md. Shahrukh Khan S/o Late Md. Abdul Gabar of Lilong Turel Ahanbi Dam Maning, P.O. & P.S. Lilong, Thoubal District Manipur না মহাক্কী Legal Son Certificate পীবিয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/0873/10

ꯊꯥꯒꯠꯄ/অমাংথোঙ ময়াদা ফুরি মচা অনী শৌবা, ফুরি অদু মরক-মরক্তা নাই চারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, নাই চারমদাইদা অমাংথোঙ মপান্দু য়াম্না হাক্কৎচবা, পূকচেপ অনীমক নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, নঙ্গনদা চিকপা, লেংজুম অনীমক নাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মকক-মকক হাম্বা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা অদু পায়বদা কন-কন লাউবা, অমাংথোঙ ময়াদা ফুরি মচা অনী শৌবা, ফুরি অদু মরক-মরক্তা নাই চারকপা, নাই অদু ওমখৎলমদাইদা অমাংথোঙ অদু য়াম্না হাক্কৎচবা, ফুরি অদুদগী মচুম-মচুম খজিক তারকপা, অমাংথোঙদা চোৎ-চোৎ লাউরগা লৈবা, মচুম তারকপা অদুনা মরক-মরক্তা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু অমুক ফরগা অমুক তারকপা অসুম্না অদুম তৌরগা লৈবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা অমাংথোঙদা হাক্কৎচবা হেনবা অমদি ঈসু লেপ্তুনা তারকপা অমদি মচুম তারকপা হেনবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মকক-মকক হাম্বা, হমেং মথিগুম্না অকনবা ওইনা হাম্বা অদুদা অমাংথোঙ ময়া অমদি মপান্দা তৎলগা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙ মতুংদা য়াম্না শাবা, লেংজুম অনীমক শাবা-নাবা, নঙ্গনদা চিকপা, পূকচেপ অনীমক নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খ্বাঙ য়াম্না নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : **Ch. Romesh Singh**
Sekmaijing Thongkhong

HL-B/7295/10